# বন মহোতসবকী থৌরম মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্তুনা উ চারা লাক্ষ অমা হেন্না থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোকপগুম ষ্টেট অসিদসু ঙসি ৭০ শুবা বন মহোতসব থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্তুনা পাক শন্না উ চারা লাক্ষ অমা হেন্না থাখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিভিজন চান্দেলনা শীন্দুনা ঙসি থৌরম অসিগা মরী লৈননা লিৱা সরাই ভিল্লেজ, ফুংচুম ভিল্লেজ অমসুং কে ফাইলেন ভিল্লেজদা উ চারা লিশিং ১৫ রোম থাখ্রে হায়রি।

লিৱা সরাই খুলদা টি এস সিংচুংগী প্রাইভেট পট্টালেন্দদা উ চারা লিশিং ৫ রোম থাদুনা ঙসিগী থৌরম অদু হৌদোকখি। মদুদা ফোরেষ্ট নোর্দর্ন সাইদকী কঞ্জার্ভেটর লোইতোংবম লুখোই, এ দি সি চান্দেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি এস কনলুন অনাল, মেম্বর এস ঐচ মণ্ডলেম অমদি টি এস ৱিলিংসন অনাল, দি এফ ও চান্দেল এস এল নিংথেনহোই এম এফ এস, রেঞ্জ ওফিসার চান্দেল সিঐচ দেবেন, রেঞ্জ ওফিসার চাকপিকারোং এস সোসি অমদি লিৱা সরাই স্কুলগী চীফ টিএস ঙমতিং য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কঞ্জার্ভেটর লোইতোংবম লুখোইনা ফোঙদোকখিবদি উমংনা ঐখোয়গী থৱায়নি, উমং য়াওদনা ঐখোয় হিংবা য়াদে। মরম অদুনা উমং য়োকখৎপা অমদি ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাংনি।

তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা তেংনৌপল রেঞ্জনা শীন্দুনা ঙসি আইমোল খুল্লেন ভিল্লেজ অমসুং তেংনৌপল ভিল্লেজদা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মফম অদুদসু উ চারা লিশিং ৩০ রোম থাখ্রে।

এদিস্নেল প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অনুরগ ভাজপাই আই এফ এস, ১৮ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট কর্নেল অজিৎ খেত্রি, দি এফ ও তেংনৌপল দিভিজন এলাংবম হোম সিংহ, দি এফ ও ৱাইল্ড লাইফ দিভিজন ৱাইখোম রোমাবাই দেবী, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার তেংনৌপল হঞ্জবম ইমো শর্ম্মা, এস দি ও তেংনৌপল লাইশ্রম বোবি, আইমোল খুল্লেন ভিল্লেজগী চীফ রামখুপলির আইমোল অমদি য়াম্লবা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা আইমোল খুল্লেন ফাওদুনা চেল্লিবা সেংমাই/সেকমাই তুরেল মপালগী লৌ পরি ৬ লোম চাউবা লম্পাক অমদা টুরিষ্ট স্পোট শেমগৎনবগী পান্দমদা উ চারা লিশিং ১৫ রোমসু থাখি হায়রি।



সেন্ট পিটরস স্কুল তেংনৌপলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তেংনৌপল সিটা লম্বীদা লৈবা চীংদা উ চারা লিশিং ১৫ রোম থাখি। মদুদা অনুরাগ ভাজপাই আই এফ এস, দি সি তেংনৌপল ঐচ রুপচন্দ্র সিংহ আই এ এস, ১২ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট কর্নেল নেকতর সঞ্জেম্বম, দি এফ ও তেংনৌপল এলাংবম হোম সিংহ, দি এফ ও ৱাইল্ড লাইফ দিভিজন ৱাইখোম রোমাবাই দেবী, সেন্ট পিটরস স্কুলগী প্রিন্সিপাল রেভরেন ফাদর জেমস বাইতে, এস পি তেংনৌপল এন সুরজ সিংহ অমদি য়াম্লবা খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

মোরে রেঞ্জনা শীন্দুনা ইষ্টর্ন সাইন ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার মোরে ময়াংলম্বম রাজকুমার, আর ও মোরে এন সন্তোস, ইষ্টর্ন সাইন ইংলিস স্কুল মোরেগী প্রিন্সিপাল কে সামো, দি এস পি কম্মান্দো টিঐচ থোমাস, সি এস ওশিং, খুঞ্জাশিং পূল্লগা স্কুল কেম্পস অমসুং চিক্কিম ভিল্লেজদা উ চারা ২৫০০ রোম থাখি হায়রি।

ৱাইল্ড লাইফ দিভিজন্না অসাম রাইফলসকা খূৎশম্নদুনা য়াঙৌ–পোকপি লোকচাও ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরিগী শরুক অমা ওইরিবা ন্যু মোংজাং ভিল্লেজদা উ চারা কয়া থাখ্রে। অয়াম্বনা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হৈরা পাম্বী চোরোফোন, হৈজুগাক, য়োংচাক, হৈগ্রু, পরেং, থৈবোং, মঙ্গেনচিংবা অমদি উচান,উয়ুং চারানচিংবা য়াওরি।

দি এফ ও থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)মণিপুর, কে দি সি টি এ অমদি রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস ককচিং লমখায় খূৎশম্নদুনা ঙসি ৱাবগাই থম্বাল চীংয়াদা লৈবা বফেল্লো ব্রিদিং ফার্ম কমপ্লেক্সতা বনমহোতসব থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা উ চারা লিশিং ১ হেন্না থাখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা সি সি এফ (দিভলপমেন্ট) এন সোঞ্জালিয়ন আই এফ এস, দি এফ ও থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপম আই এফ এস, য়ু এফ ওগী সেক্রেটরী জেনরেল ৱাই মৈরাবা অঙোম, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবাল এস শামুঙৌ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার ককচিং এম ইবোয়াই অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দি এফ ও জিরিবাম্না শীন্দুনা ঙসি অয়ুক হরিনগর লমলেন, গাওখল অমদি লৈশাবিথোলগী মফম কয়াদা উ চারা লিশিং ১৫ রোম থাখ্রে। হরিনগর লম্লেনদা উ চারা লিশিং ২ রোম থাখি। মদুদা কেঐচ ব্রোজেন্দ্রো সিংহ আই এফ এস চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট টি–২, দি এফ ও জিরিবাম সিঐচ ইবোমচা সিংহ, জিরিবাম পুলিসকী ও সি ইন–চার্জ জয়েন্তকুমার সিংহ, ৭ শুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট টি এস চম্মা অনাল, প্রধান অমদি মীওই চা কয়া শরুক য়াখি। মখা তানা গাউখলদা উ চারা লিশিং ৮ অমদি লৈশাবীথোলদা লিশিং ৫ রোম মীয়ামগা লোয়ননা থাখ্রে।

রিজনেল সি আর পি এফ ফেমিলি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালনা লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর কেম্পসতা উহৈ চাবা য়াবা কোল্লা চারা ১২০ থাখ্রে। সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালগী চেরোলনা হায়, থৌরম অদুদা সি আর পি এফ মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি অনসুমান যাদব আই পি এসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। ওফিসারশিং, এস ওশিং, জৱানশিং, আর সি দব্লিউ এগী মেম্বরশিং অমসুং অঙাং কয়াসু শরুক য়াখি হায়না আই লোকেন্দ্র সিংহ দি আই জি না ফোঙদোরক্লি।

লাইনিংথৌ খোরিফাবা থৌগল মরুপ্পা লাইনিংথৌ খোরিফাবা চীংগী মশাইগোন্দা ঙসি বনমহোতসব থৌরমগা মরী লৈননা উ চারা লিশিং অমরোম থাখ্রে। সেক্রেটরী এম রঞ্জিৎনা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিভিজনগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকপনি।

## যুরেম্বম–কারোং–মাও ট্রান্সমিসন লাইন শেমজিন শাজিনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

১৩২ কে ভি য়ুরেম্বম – কারোং–মাও ট্রান্সমিসন লাইন শেমজিন শাজিনগদৌরি। মরম অদুনা ৩৩ কে ভি অমসুং ১১ কে ভি পৱার ষ্টেসন খরগী মৈ থা অসিগী ৩দগী নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মতম খরা থিংগদৌরি।

মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিটেদকী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ট্রান্সমিসন দিভিজন নম্বর ৪না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ৩৩/১১ কে ভি সেকমাই সব ষ্টেসনগী অনৌবা ১১ কে ভি সেকমাই ফিদর (সেকমাইদগী ময়াংলাংজিং ফাওবা) চৎলিবা থা অসিগী ৩, ৪,৫,৬,৯ অমসুং ১০ দা অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মৈ ফংলোই। ১১ কে ভি কংলাতোম্বী ফিদরগী ওইনসু থা অসিগী ৩, ৪,৫,৬,৯,১০,১১,১২ দা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই অদুগা ৩৩/ ১১ কে ভি গম্ফাজোল সব ষ্টেসনগী ১১ কে ভি সপরমৈনা ফিদর–১ অমসুং ২ গী ওইনসু থা অসিগী ৩,৪,৫,৬,৯,১০, ১১,১২, ১৫,১৬,১৭ অমসুং ১৮ দা হায়রিবা পুংফম অসি মৈ ফংলোই হায়রি।

## দিষ্টর্ভেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দকী কেম্পেইন চত্থরি

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন দিষ্টর্ভেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দগী মীৎয়েং মখাদা দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না চত্থরকপা এৱার্নেস কেম্পেইন ঙসিসু ইম্ফালগী সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, টি জি হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, নিরমলাবাস হায়স্কুল, দি এম কলেজ অমদি থৌবাল অমসুং মোইরাংগী মফম কয়াদা পোষ্টর কেম্পেইনগা লোয়ননা চত্থখ্রে।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা পি বি মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাঙদগী হৌনা এদুকেসনবু অয়েৎ অপন পীদনা ফ্রি জোন ওইহনবিয়ু হায়না মহৈরোয়, ওৱা, গার্জিয়ানশিংনা লাউদুনা লাক্লবসু মখল অমা নৎত্রগা অমগী য়ৈখাই থিনগায়বা কয়া অদুমক থোক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা খন্ন–নৈনবা কয়া পাঙথোকখ্রে। মহৈরোয়শিংদা অয়েৎ অপন পীরকপশিংগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগী তঙাইফদবা কয়া ফোঙদোক্লখ্রে।

এদুকেসনবু অয়েৎপা য়ৈখাই থিনগায় লৈতবা ফ্রি জোন ওইহন্নবা কেম্পেইন অসি মখা তানা সেনাপটি, চান্দেল, কাংপোকপি, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চত্থখিগনি। মীয়াম অমদি খুন্নাই অসিনসু মহৈ মশিন তম্বগী মরু ওইবদু খঙবিদুনা এদুকেসনবু দিষ্টর্ভেন্স ফ্রি জোন ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কে অশাং খুল্লেন্দা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

টেন সেক্টর অসাম রাইফলসকী সংশক বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কে অশাং খুল্লেনদা ঙরাং মেগা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

দেদিকেটেদ মেদিকেল টিম অমনা কেম্প অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা অকোয়বদা লৈবা ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিং য়াওনা খুঞ্জা ১১৪ দা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীখি। অসিদসু নত্তনা নোংজু মতমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদসু খঙহনখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

মনুং চঙশিনবা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দর এরিয়াদা লৈবা খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদবা অনা লায়েংগী মতেং পীবিবগীদমক ভিল্লেজ ওথোরিটিনা অপেনবা অমসুং থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## জিরিবামদা স্বাছ সুরভেক্সন ২০২০ হৌদোকখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্বাছ সুরভেক্সন ২০২০ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম আই এ এস, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন সগপম শান্তি দেবী, ভাইস চিয়ারপার্সন এস ৱাঙ্গোনসনা দেবী, দিরেক্টর মহুদ টিঐচ হরিকুমার সিংহ, দিপ্যুটি সেক্রেটরী মুদা এম নন্দো সিংহ অমদি কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসার এম সুরজিৎ সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দিপ্যুটি কম্মিস্নার রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম্না হায়, ঐখোয়গী লৈফম চাফম লু নান্না থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী ফনবগীদমক্লি। ঐখোয়না হুন্দোক্লিবা অমদি চাথোক্লিবশিং অসিনা অমুক ঐখোয়দা কান্নবা পীরি হায়বসি খঙজদে। অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না ভাব তামিন্নদুনা অমত্তা ওইনা থবক চঙশিল্লবা মতমদা চাদ ১০০ লু নান্না থম্বা ঙমগনি। অদুগা হুন্দোক্লিবা ফত্ত–হৌদিশিং অসি অমুক ঐখোয়গী কান্নবা ওইহন্নবগীদমক মফম চানা হুন্দোকপিয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসি হান্নগা য়েংনবদা অওনবা কয়াদি লৈরে। মীয়াম পূন্না ভাব তামিন্নবদগী অওনবা অসি পুরকপা ঙম্লিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ত্রিনবিন কয়াসু য়েন্থোকখি।

## নৃত্য রাস অমসুং বাসক পাঙথোকখ্রে

ককচিং, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

গুরু নবদ্বিপ মেমোরিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সেন্টর ককচিংনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লি অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা নৃত্য রাস অমসুং বাসক পুথোকপগী থৌরম ককচিং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাইদা লৈবা নিত্যাইনন্দ মান্দবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন রিছার্স স্কোলর অমদি কলচর এক্টিভিষ্ট নাওরেম চন্দ্রমনিনা থৌরম মপু অদুগা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর এম উমানা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি। গুরু নবদ্বিপ মেমোরিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সেন্টরগী আর্টিষ্টশিংনা পুং চোলোম, নৃত্য রাস অমদি নুপী বাসক উৎপনা থৌরমগী মপুং ওইখি।

## ইশ্বোল য়োঞ্জরি

খোরদাক মখাদা লৈবা দাগ কালি ০.০৪৮৬গী হেক্টর ০.১২০০ পাক চাউবা ইশ্বোল অমা অচিনবা অমগীদমক য়োঞ্জরি। দখল তৌরিবা দাগ নম্বরনা ১১২২/১১৪৫ নি। ইশ্বোল অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বনা য়েৎপিনিংবা লৈরগসু খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ হুম্নি (৩) ফাওবগী মনুংদা য়েৎপিরবা য়াগনি। অকূপ্পা মরোলগীদমক মখাদা পীজরিবা এদ্রেস অসিদা পাউ ফাওনবা য়াগনি। হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

খঙহঞ্জরিবা
নিংথৌজম রাধামোহোন সিংহ
খোরদাক মখা

SL/Bill/02

## এদিটরদা কিহনবগী থৌওং কন্দেম তৌই ঃ অমজু

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী রাজ্য সভা মেম্বর কে ভবানন্দগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ লান্না শীজিন্নৈ হায়বগী মতাংদা ইম্ফালদা নুংতিগী নুংথিলদা ফোঙবা ইংলিস পাউচে ইম্ফাল টাইমদা ফোঙখিবা পাউগা মরী লৈননা পাউ চে অসিগী এদিটর রিংকু খুমুকচমদা কিহল্লকপগী থৌওংবু ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিমক য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি।

অমজুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরীনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভা মেম্বর কে ভবনন্দগী নক্লবা মীওইনি হায়না চিংনবশিংনা ইম্ফাল টাইমগী এদিটরদা কিহল্লম্বনি। থৌওং অদুমক ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ফ্রিদম ওফ স্পিচ এন্দ এক্সপ্রেসন্দা খূৎ থিংজিনবনি লোয়ননা মীয়ামদা মরিক চুম্বা পাউদম থল্লিবা মেদিয়াগী মচিন মেন্নবা হোৎনবা থৌওনি হায়না লৌই।

মীয়ামগী মীৎ নাকোং ওইহল্লিবা অমদি অচুম্বা পাউ ফোঙবদা অপনবা পীরকপা অসি প্রেসকী নীংতম্ববুসু শীংনবনি। অসিগুম্বা থৌওং অমুক হন্না তৌবিগনু। মণিপুর লৈঙাক্লসু থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং ফাদুনা মখোয়গী মথক্তা লোগী লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকদবনি। কনাগুম্বনা মীয়ামদা ঈ পাউ য়ৌহল্লিবা মেদিয়াগী থবক থৌরমদা অয়েৎ অপন্নচিংবা মখা তানা পীবিগনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## নেচরকিওর অমসুং যোগ হোস্পিটালগী কুমওন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা নেচরকিওর এন্দ যোগ হোস্পিটালগী ১২ শুবা কুমওন থৌরম হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা হোস্পিটাল অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপগা লোয়ননা ডা কে বসন্ত সিংহনা ইবা 'হকচাং ফনা লৈনবা অমসুং হিদাক শীজিন্নদনা লায়েংবা' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ফোঙগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা দি দি কে ইম্ফালগী ষ্টেসন দিরেক্টর ওইরম্বা শগোলশেম ইন্দ্রকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, নেচরকিওর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবগী প্রসিদেন্ট কোন্সম রাজেন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু অদুগা আয়ুস দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্টর ডা. য়ুম্নাম লুখোই সিংহ, ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. বিনিতিক মরিং অমসুং পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম্না ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইগনি। মোর্দন কলেজ পোরোম্পাৎকী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. চোংথাম রিতা দেবীনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি হায়রি।

## অচুম্বা ৱায়েলগীদমক কূপ্না থিদোক্কনি ঃ এম সি এম

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

হৌখিবা মে ৩গী নুমিদাংৱাই পুং ৫.৪৭ রোম তাবদা মণিপুর ক্রিয়েটিভ স্কুলগী হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয় ২ তাজৱিদ অন্সর অপোকপা তাজঅহম্মদ খান লিলোং খুনৌ অমদি য়াসুফ খান অপোকপা অব্দুল কলাম ন্যুতন বষ্টি সরহরজান বজার কর্বি অংলোং অসাম খৎন–চৈনবদা তাজৱিদ অন্সর শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মীয়াম খঙনা অচুম্বা ৱায়েনগীদমক মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুর (এম সি এম)না থিদোক্লগনি হায়রি।

এম সি এমগী প্রসিদেন্ট হাজি অরাফত অলিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌদোক অদুগী মতাংদা স্কুল ওথোরিটি অমদি এক্যুজ অমসুং ভেক্টিম ফেমিলিগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবা খূদিংমক মীয়াম খঙনা অচুম্বা ৱায়েলগীদমক থিদোক্কনি। অদুনা পার্টি খূদিংমক্না মাগী মাগী অনীংবা পেন্দবা মেদিয়াগী খূত্থাংদা ফোঙদোক্লরবদি ইরাং থোরকপা য়াই। অদুনা নুংশিননা ইংনা চিক্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। মসিগীদমক থা অসিগী ৭ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা হট্টা মিনুথোংদা লৈবা ঘনি স্কুলদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা মপূং ওইনা স্কুল ওথোরিটি, ভেক্টিম ফেমিলি, এক্যুজ পার্টি, মৈতৈ পাঙলগী সি এস ওশিং মরু ওইনা পি এস ও, অমমসো, অমোকোক, এম এম দব্লিউ ও, ধর্ম্মগা মরী লৈনবা অঞ্জুমান, জামিতুল–উলামা মণিপুর শরুক য়াবিনবা আপিলসু তৌরি।

## য়ু সি এমগী কুমওন

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম)গী ১৯ লক শুবা কুমওন থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ৩ লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা য়ু সি এম হেদ ওফিস্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, এমকিলগী প্রসিদেন্ট ফাঙৌবম শখি, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমা, নিপকোগী প্রসিদেন্ট টিঐচ মনিহার, ইপসাগী প্রসিদেন্ট জোয়চন্দ্র কোন্থৌজম, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ৱারেপম সেকেন্দ, অকোমলূপকী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইসম, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, য়ু সি এমগী কনসল্টেটিভ কম্মিটি মেম্বরশিং আর কে রনেন্দ্রজিৎ অমদি ঐচ ইবোতোম্বী খুমন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

## য়োং ইকায়থিবী অমা কনখ্রে

থৌবাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা উয়াল মখা লৈকাইদা ঙরাং কোয়চৎ চত্তুনা লৈরম্বা য়োং ইকায়থিবী (স্লো লোরিষ্ট) অমা কনখ্রে। উয়ান মখা লৈকাইদা লৈবা ৱাংবল জি পিগী প্রধান হৈস্নাম মনিচন্দ্র অমসুং মহাক্কী মচিন মনাওশিংনা কল্লকখিবা য়োং ইকায়থিবী অদু ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) মণিপুরগী মেম্বরশিংদা ঙসি শিন্নখ্রে।

কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরী এন রোমাসনা ফোঙদোরকখিবদি মণিপুরদা য়োং ইকায়থিবী অসি হিংবদা খুদোংথিনিঙাই ওইরে। জিব অসিগী মশীং হন্থরক্লিবা অসিগী মরম অমদি মমাঙঙৈদগী হিদাক ওইনা জিব অসি শীজিন্নবদগী ওইগনি। লমলক্কী শা উচেক হাৎপিদনবা অমসুং কনবিনবসু মহাক্না মীয়ামদা আপিলসু তৌখি।

## সুমিতা মীহাত্তা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক ফংহনবিয়ু ঃ ৱাই দব্লিউ ঐচ ও

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ

মমাঙ থাগী ২৪ গী নুমিদাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থিয়াম কোঞ্জিলদা ব্রহ্মপুর ভৈগ্যপতি লৈকাইদগী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী সুমিতা দেবী (৫৬) মপুরোইবা দেবান শিদুনা লৈরম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা লাইময়ুম ওংবী অমু এলাইজ সঙ্গিতা দেবী মপুরোইবা ইন্দ্রজিৎ অমসুং চেন্নরিবা খূদিংমক অথুবদা মরিক চুম্না থিজিল্লগা অহকপা চৈরাক ফংহনবিয়ু হায়না য়ং ৱুমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন (ৱাই দব্লিউ ঐচ ও) কোনুং মমাঙ ইম্ফাল ইষ্টনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

ৱাই দব্লিউ ঐচ ওগী প্রসিদেন্ট টিঐচ শান্তি দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইরমদম মণিপুর ফত্তবা মতৌ তম্বদা মকোক ওইরে, হৌখিবা চহী খরা অসিদা নুপী ওৎ–নৈবা, হাৎপা, ইজ্জৎ লৌরগা হুন্দোক্লম্বা নৎত্রগা লংলা লংজিন খঙদনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। হৌজিক্তি নুপী য়াওনা মপুরোইবা হাৎপদা লৌতুনবগী থৌদোকসু থোরক্লে।

হন্দক সুমিতা মীশিগী থৌদোক অদু য়াম্না নুংঙাইতবা অমনি। সুমিতাগা তিন্নবা লাইময়ুম ওংবী অমু এলাইজ সঙ্গিতা দেবী মপুরোইবা ইন্দ্রজিৎনা লুপা লাক্ষ ৩ লৌবা নৎত্রগা পুবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগুম চঙথোক চঙশিন তৌনবনি। সঙ্গিতানা লৌখিবা শেল অদু শিংলগে অদুগা অতোপ্পা মীনা সনা খরা লৌগে হায়রকই হায়না মখোয় চৎমিন্নখিবদা থিয়াম কোঞ্জিন্দা সুমিতা শিদুনা লৈরমখিবনি।

খুনেক্তা সুমিতাবু হাত্তুনা থল্লম্বা অদু শাদগী হেন্না তমথিবা শাজৎ, নুপীনা নুপী হাৎপা তৌঙম্বী কয়া থোরকপসি নুপী খুন্নাইদা ইকায়নিঙাইনি। তৌঙম্বী, নুপী মশেল মরুপ মচাদগী অচৌবা কয়া তৌরি। মরুপ্তগী ইমুং মুৎপা, মতৈ মনাও খৎনবা, কাইনবা, ৱাখল লায়না নাবা অমদি শিনবা ফাওবা য়াওখি। মশাগী শেন্থোক য়েংদনা মরুপ য়াওবা, শেল পুশিনবনচিংবনা ইমুং কয়া কায়নবগী মচাক ওইরি। অদুনা হৌজিক হৌজিক্কী ফোঙ ফোঙ শারিবা সুমিতা মীশিগী ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা খূদিংমক মরিক চুম্না ইনভেষ্টিগেসন তৌদুনা অহকপা চৈরাক ফংহনবিয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

## কুম্বি কলেজদা কাদাগী এৱার্নেস কেম্পেইন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এস এন এস)ঃ




লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বিদা লৈবা কুম্বি কলেজদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন চত্থখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেএচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি চত্থখিবা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কুম্বি কলেজগী প্রিন্সিপাল কুমাম জুগেশ্বর, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমদি কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইনিংশুংবম ওংবী বসন্তিনা পূন্না থৌরম মপু ওইখি অদুগা ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমদি সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

ৱা ঙাংখিবশিংনা ফোঙদোক–খিবদি খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়াদা লাইচুদুনা মখোয়গী অমদি খুন্নাই অসিগী তুংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবগী ফিভম অমদা ইরমদম অসি লৈরি। লাইচৎ অসিদগী কন্ননবগীদমক মহৈ মশিন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। নুংতিগী লোয়ন–তিন্নরিবশিং য়াম্না হৈ শিংনা লোয়নবগী মথৌসু তাই।

অমরোমদা মমা মপা ওইবশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবদগী মচাশিংনা মতৌ তম্লক্তুনা মখা তানা অঙাংশিংসু শীজিন্নরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। অদুনা য়ুম য়ুমদগী হৌনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনবা তঙাইফদে। এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা স্লাইদনচিংবা কাপ্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না হকচাংদা পীবা অমাঙবশিংগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি হায়রি।

